

# মঙ মরক্তা

সনাতন হামোম

CamScanner



হায়দোকনিংবদা অপনবা লৈতবা-শৈরেংগী লোনদা পুশিন্দনা চাংয়েং শানরিবা সনাতন হামোমগী শৈরেং লাইরিক শিংথানবা ইবাঙাক নত্তে; শৈরেংগী খোংজোম লান্দা লাম্মীগি শক্তিমনি। শক্তম কয়া শাগৎতুনা ওয়াখলগী ইথৎ থিংদুনা নাথৈনা পুদুনা শানরি - পুনিংবা মাইকৈদা। মহৌশা চৎনবীগি ওয়াতন কানবী লানথোক্লা শোকপা ঙম্নবা তান্নরিবা সনাতন হামোমগী শৈরেং নৌহৌনা আপাবগী য়াওল লমায় কাংলরি মথং মথং .....।

পাইরক্কী ওয়াখলসিংনা শৈরেংগী কয়াৎ শাগৎলি। নিংবগা ইথোকপগা চাংয়েং তানদুনা শৈরেং নি হায়বদা অকিবা ফাওদে। নিংজিং মাংজিন্দবা তৌরনি খন্নদা তৌবা ঙম্বা অসিমক থৌনানি - লিংজেননি। শৈরেং শিংদা তারিবা মমিদি খোরিনি - নকশিন্না লৈরিবা খুনায়গী শক্তম খোরি চিংনা দাগ থারি।

শোয়দনা নোংমদি ঙমখৈ নিংখাইরবগী ইহুন ফাওরক্কদ্রা খল্লি।

১৯।১০।২০০৮

(খোইরোম ইন্দ্রজিৎ)

@
উষা হামোম

অহানবা ফোঙবা
নুপিলান নিংশিঙ নুমিৎ
১২ ডিসেম্বর ২০০৬

মখুম য়েকপা
অবিনাশ আচার্য

প্রুফ
ওয়াই চন্দ্রজিৎ
হামোম পাবলিকেশন্স, হামোমখুল, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার দগী
হামোম প্রমোদ না ফোঙবিবা অমসুং ভিসতা প্রিন্টার্স, শান্তিনগর
ঢাকা-১০০০ দগী মো: দেলোয়ার হোসেন মিন্টু না মতেং পাংবিদুনা
প্রিন্টিং তৌবিবা।

Maang Maarakta
**By Sonaton Hamom**
(A book of Manipuri poem)

মমল
বাংলাদেশতা - লুপা চাম
অতৈ দেশতা - $ মরি

CamScanner

## কচ্ছবা

সমাজ অসিদা মেধা অমসুং প্রতিভা অনি
চপচান লৈনম সন্দোকপিরিবা
ইজাতিগী মংগল অইনবাগী দমক্তা
মরন্নাই থবক-থনা লঙথোকতুনা
কোয়চেন চেল্লগা
জাতি অমসুং কৃষ্টি অসিবু
ঙাক্লবগী লেপ্তনা হোৎনবিরিবা
অমসুং
ঐগী লময়ানবা মতম পুন্নমক্তা
ঐবু
কালেনগী সাগ্রবা ওমচাক্লরবা নুংশা মরক্তা
উজাও মউম পিবিদুনা
লম্বি চৎপগী প্রেরনা পিবিরিবা
ঐগী তাচৌ-
"হামোম তনুবাবু"গী চরন্দা-

ফোঙখ্রবা লাইরিক শিং

“কল্পবধূ”

“ঈপ্সিত বাসনা”

“লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং”

“থওয়াইগী নুংশিরৈ”

অমসুং

“মঙ মরক্তা”

CamScanner

## শৈরেংজবগী ওয়ারোল

নোংমাগী তত্তনা শিরিবা, হিংন হিংন শিরিবা তাইবংসিদা শিন শিন হিংন লৈরিবসিসু মঙগুম্বা মঙনি। মঙ কয়াগী মরক্তা কোয়চৎ চৎতুনা, কোয়পায় পাইদুনা মলেমসিগী লমায়থক্তা ওন- থোয়না হিংহনদুনা লৈহনবিরিবসিসু ইথা থাজদনা ইমিৎমক্না উজহৌবা মঙগুম্বা মঙনি। মঙ মঙগদবনি। মঙ মরক্তা হিংবসু মনুঙাইমনি।

নিংথিজখ্রবা মলেম অসিদগী ওয়ারৌনা নত্রগা মহৌসান অতিয়াদ পাইখিবা ময়েক, ময়েকমনিন, ওয়া, চান-চুনবা ওয়ারোল থমোয়নুংদা থেম্না কৌসল্লগা খোমজিন্দুনা লাইরিক ওইনা পুথকচবা ঐগী মঙা শুবা শৈরেং লাইরিক্নী "মঙ মরক্তা"

ঐগী শৈরেংদি মীরৈবাক্ত মতম কুইনা লৈরুরগা খৌরাংন য়ুমদা লাকলগা ইচাশিং উনবগী তাংককনি। মীরোল মরক্তা হিংবা তাবনা ইমালোন নিংথিজনা খঙজহৌদবনা চৎনবী লোন্দা ওইনা থমোয়নুংদগী পাথরাকপা লোন ময়েক্না ইনিংবা ইথোকচখিবনি।

অতৈ কৈসু নত্রসু মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙথাংদ ঐসু মতুং ইন্নজবনি ইজাতি ইমালোন নুংশিদুনা। ইমালোন ঙাকসি, কনশি, নুংশিশি হোৎনজবনি।

২১.১২.০৬

(সনাতন হামোম)
ফোন : ০১৭১২-৭৯৯৬৫৬

## পাবিরিবাশিংগী লমায়


মঙ মরক্তা - ০৯
রাস পূর্ণিমাগী থাজ - ১০
নঙ - ১১
করম্বা লম্বিদনো চৎকদবা - ১২
নমথিরবা নুমিদাং - ১৩
রাসপূর্নিমা - ১৪
ইংথম হৈনবী লৈরাং - ১৫
মৌ নহাগী মৌনম - ১৬
নঙগী পুন্সি - ১৭
মচু নাইবা মঙ - ১৮
জু - ১৯
লম্বি - ২০
হৌদোং হুইনা চাখিবা নুমিৎ - ২১
মঙ মরক্কী নঙ - ২২
বসন্ত মনিন তারবদি - ২৩
ফজবদা ফজৌ - ২৪
মঙ মরক্তা নঙ-২ - ২৫
চিঙদা শাৎপী থাবলৈ - ২৬
লম্বি-২ - ২৭
অওয়াব পুন্সি-১ - ২৮
অওয়াব পুন্সি-২ - ২৯
অওয়াব পুন্সি-৩ - ৩০
অমম্বা পুন্সি - ৩১
কিরুগনু - ৩২
অফাওবিগী ওয়ারি - ৩৩
ওয়ারেপ - ৩৪
ওয়াজাও ঙাংবা মী - ৩৫
ঐদি হুজিক বনবাসতনি - ৩৬
অকিবা - ৩৭
মঙ - ৩৮
শহহেনবীদুমা - ৩৯
ইশিংগা হরাওবা - ৪০
নোঙখাকপা অহিং - ৪১
নোঙ মপৈ মরক্তগী - ৪২
মৈখু মৈরিক্তা - ৪৩
ওমচাক্লবা - ৪৪
কোয়েৎ য়াওদবা নিংথৌ - ৪৫
তুমগে তুম্মু - ৪৬
ওয়া অমতাং হায়জগে - ৪৭
কোকথোং ওইজগে - ৪৮
থাবল চোঙবগী ওয়ারি - ৪৯
ঙাকপিয়ু হে কবি - ৫০-৫১
ওয়াখন্দা চোংবা গোলাপ - ৫২-৫৩
পেনদবা পুন্সি - ৫৪
কুন্দো পরেং - ৫৫
ওয়াহং - ৫৬
অপাম্বা অমা খল্লু - ৫৭
শবেবরাতকী নুমিদাংদা - ৫৮
চায় চায়রবা মলেম - ৫৯
মীৎচিনা য়েংবদা - ৬০
চিংনবা পুকচেল - ৬১
শবেবরাতকী মুসল্লী - ৬২
নোকথোকউ - ৬৩
ধলাই তোর্বানগী চনু - ৬৪


CamScanner

## মঙ মরক্তা

তুম্নিঙৈদা নোঙ মপৈ মরক্তা তুম্না লৈরম্মি
ওইরোমদা খুৎ-জেৎ হায়দারুবদা হাঙনা লৈরম্মি
লৌনম তৌরুবদগী ওয়ারোদুনা
অতিয়া থুংনা থিনা লৈরিঙৈদা
নুংশিৎকা ইরোইরম্মি, ইশিং কোনুংদা তুমলম্মি
নুংশিৎনা মাগী ফিরান হায়গৎপা ক্যাম্পতা
চঙলকই হায়দুনা য়াম্না ওয়ারৌখি
ইশিংনবুদি য়াম্না তহোয় তহোয় নুংশিবীরম্মি,
ঐনা ঐগী ক্যাম্পনি নঙগী নত্তে
শত তানবাগুম খৎনরুবদা
নুংশিৎ ঐগী ইথক্তা ব্রজ থাদরম্মি
ময়োং চারক্তাবনা
হিংনবগী চেল্লকতুনা মংগলপুরগী পুখ্রিচৌদা
হেক চোংথাববু
ঙপাই লৈশাবী ডজনমুক্না লৈ পরেং হুত্তুনা
ঐবু কবি দিলয়ারগুম্না সম্বর্ধনা তৌবিরম্মি
ঙপাই ময়াম্না হরাওমনখিদুনা কোয়সল্লগা
থাবল চোংনা লৈরম্মী
হরাওমনখিদুনা ঐসু ঙপাই মরক্তা ইরোয়না লৈরম্মী।
অঙাঙবা, অশংবা, অমুবা, অঙৌবা
ঙপাই ময়াম মরক্তুগা চন্দন থিনবী ঙপাই অমবু
মৈতৈ নুপী অশেংবাগুম খল্লদুনা নুংশিরুববু
ঙপাই হনুবীমনা ঐবু তাইবং মীনিহেক হায়রকপদা
মঙ ফাওনরক্তুনা য়েংলুবদদি ঐগী নুংশিবীনা
নাক্ত হুমাই হুম্না লাইকন্ননা লৈরম্মী।
মঙ মরক্তা নুঙাইরুবগী ওয়ারি হেক লিরুববু
হুমাই হুম্বা তোকথোক্তুনা
নুঙ লঙসল্লকপাগুম্না খুদুম্না সুনা লৈরম্মী।
০১.১২.০৬

## রাস পূর্ণিমাগী থাজ

য়েংবা য়েংবদা মলেম অসিসু ওইখ্রে নোঙথি-নোঙমঙবা
নুমিৎ অসিসু থাওমৈ মুখুগুম্না
থাজ অসিসু ঙৌদোং থুংবা মীৎগুম্না মকথরে
লৈশাবীদুগী থবাক্তা তোংলিবা খোম অনিদুদি
ইঙান ঙান্ন উই
মপুং ফারবা রাস পূর্ণিমাগী থাজগুম্নী
চিনবান অনিদুনা থেংলকপদা
ঐগী হকচাং
হকচাংদা নোঙ মকুপ মকুপ তারকপাগুম
তু জুংই, কিজৈ
ঐগী ওয়াখন-পুখন
অঙকপা অহেনবা খোমনুংশিনা
ঙক্লা য়েংনা লৈহৌই।
ঙকপাদগী হেন্না মলেম অসিবুসু ঙকচৈ,
য়েংবদা পেনবা নাইদ্রবা, হন্না হন্না য়েংনিংবা
নুমিৎ থা খোম অতিয়া নুংশিৎ
ঐগী ওয়াখন হকচাং ঙাঙজুনরবনি।
থম্মোয়চেৎন য়েংলুরবদি চপচাবি থাজনি।
২৬.১১.০৩

## নঙ

মলেম অমসুং অতিয়াগী মরক্তা
মঙগী অতিয়া
অতিয়াগী থম্মোয়নুংদা
নঙদি অতোপ্পা মলেম অমনি।
২৭.১১.০৩

# করম্বা লম্বিদনো চৎকদবা

অখোয় পুন্নামক্কী হিংবা হিংদবা
চৎথোক-চৎসিন, লাকথোক-লাকসিন
সিন পুন্নামক তুংওইদবাগুম্নি।
উ উনা উদবা
ফঙ ফঙনা ফঙদবা
ফঙবা অমসুং ফঙদবগী অওয়া-নুঙাই মতুংদা ইন্নবা
অঙানবদা মীৎ উদবা
অদুবু হিংনা লৈনরি উফুল মরক্তসু।
থেংলবা নুমিদাংগী খাল্লবা খোঞ্জেল,
লোইনবিগী খারবা মীৎয়েং,
কালেনগী চাক্লবা নুংশা, ওমচাক্লরবা মলেম,
সেন লৈতনা খরচা তৌবা ঙমদবা
অহল অমগী নুংশাশ্বোর
উনা উনা কনানসু উবিদে
নোঙখাক্লরবা মতমসিদা করম্বা লম্বিদনো হুনগদবা
করম্বা লম্বিদনো চৎকদবা?
২৭.১১.০৩



CamScanner

# নমথিরবা নুমিদাং

নঙগী অয়ুক
ঐগী নুংথিল
অনিমক্তি নমথিবা নুমিদাং ওইখ্রে
তুমসনখিবা পুন্সিগী নুংশিৎ মরক্তা
ভুত প্রেতকী ওয়ারি মনিন
পায়রিয়া থুংলবা জারক্তা
অমম্বাগী তিল চঙদুনা মমলে।
মাহিং কারবা খজাইদা
সুনু তৈসন্বা নত্তনা ঙৌররোই,
থাজ মঙালগুম্না ঙাল্লম্বা
নঙগী নুংশিজখ্রবা শক্তমসু
হন্নামুক য়েংনিংলকত্রবা
হোৎনবা তোকত্রবা নঙগী থৌরম
নুমিৎ মঙালনা ঙানথোয়রবা ওইরগদ্রা নর্মাথিবা নুমিংদাং।
২৭.১১.০৩

# রাসপূর্নিমা

রাস পূর্ণিমাগী থাজ মঙালনা
মচু নাইরবা মখমল সন্দোকখ্রে
মলেমদগী হেন্না ঙাওরে থাবল মঙাল
ফঙনবগী উনবগী হরাওবদা
লৈশাবী পাখংদসু নত্তনা মীত্তই পুন্নামক
তুমিন তুমিন্না ইংনা তপ্না হরাওনরি।
চোংলি কুমৈ মনুংদা কনাগুম্বনা,
নোক খ্বেরি কনাগুম্বনা কাচিন অমদা,
কিজখ্রবা ইংথম থা অসিদা অকিবা সাজন্নে,
অমনা অমবু কোনসল্লগা
চোংলি হুরানবা থায়নাগুম,
লিক্লা মচুমদা সিঁদুর কোকখিবনী হায়সন্নে,
তুসল্লুবদা লৈ ফনেক চুখিবনী চিনথিজন্নে কনাগুম্বানা
মঙ অমসুং মড়া থদৎল্লগা
নৌনামুক মঙনিংবা ঐদি
রাস পূর্ণিমা উজবা ফংই
দেশ মরোল কয়া থাপ্ন লৈরগসু।
২৭.১১.০৩

# ইংথম হৈনবী লৈরাং

টিপ টিপ তৌনা লিক্লা তাবগী মনিন
তুজুংলবা ইংথম মরক্তা
লৈরাংগুম্না শাৎলিবী নুংশিরৈ
ফজৈ হায়রগা ইকাই-হরাওজবা
নুংশিজৈ হায়রগা নোকফেৎ নোকফেৎ নিংজবা শক্তা
চিন লৈরিঙৈদা মীৎনা ওয়া ঙাংবা
করম্না খঙসিগে ইংথম হৈনবীগী মবুক্লিং?
ঋতু অমামমগী পোশাক তোঙাল্লী খঙই
কনাগুম্বানা অসিনবা
কনাগুম্বানা, অথুম্বা
হরাওবদা উখিবা নঙগী লৈদি
ইঙ্গাং নাপি হৈনবীনি
ইরোলবা সিঞ্জু পামজবীনি
ইংনা পোমনা শাৎপী
ইংখমথাগী শিংগারৈগুম্নি;
নঙগী থম্মোয়নুংদা খল্লিবা ওয়াখল পুম্মামক ঐগিতনি
নঙনা হুরান্না নোকখিবা মীনোকঅদো
মীনুংশিচেনবীনি মতেং পাঙনিংগুম্নি
ইকাই হরাওবদুদি নবুক্লিং হোংবাগীনি।
২৭.১১.০৩

# মৌ নহাগী মৌনম

পাবুঙনা ঐঙোন্দা য়াথং পিরকখি
বাউন্ডারী ওয়া পুন্নামক্তা গ্রীস তৈসল্লু
চেনবা ঙমদনবা থৌরাং তৌ,
ম্যাজিষ্ট্রেট অমাখক্না অঙৌবা পাজেরো মনুংদগী
ঐবু কৌসল্লগা নাকোংদা হায়রকখি
ঐদি ইংকুয়্যারি তৌরুগে লাকপনি
থৌরম পুন্নামক নঙনা চৎথবিরম্মু
ঙহাক মতুংদামুক লাকচগে।

য়ুম্বানবী ওনখ্রবা মৌ নহা অমনা
ফল্লিবা সোফা মনাক্তা কৌসল্লগা
ঐবু য়াম্না তরাম্না ওকপিখি,
মতম কুইনা উনদবগী মতুংদা
নিংথিজখ্রবা মৌ নহা অদুনা ঐবু ফংবদা
লুপা লাখ নিফু লটারী ফংবদগী হেন্না হরাওখি,
হরাওখবা, নোকমিনখিবা শক্তম
নুংশিখ্রিবা শকহেন শবান
ঐদি কাওবা ঙমদ্রে
ঙৌসোক ঙৌরবা মৌ নহাগী শবুন
নিক নিক থল্লবা মৌনম
থৌরাং থৌরম লৌবা কাওখিহল্লি
মায়াগী থৌরীনা পুনসনখিবদা শুমহৎখি।
২৮.১১.০৩

## নঙগী পুন্সি

ঐগী ঐঙোন্দা মঙাল মরিক অমতাং লৈত্রিফাও
মহাকপু ফংনিংই ঐগী মনুংদা।
ওয়াখন চেৎতবা মখোয়দি ইতুংদা
ওয়ারেপ্লরদি ঐসু নঙগী, নখোয়গী মনুংদা থম্মোয়নুংদা
কাওদ্রি ঙসিসু নঙগী লমচৎ
চৎপা চৎপদা ফমথবা, ওয়ান্থবা
খোঙ-খুৎতা পাঙ্গন, ফমলগা হৌগৎকে হোৎনবা
পুন্সিগী মতম কয়া
তানা লৈহৌরে মখোয়গী মনুংদা।
২৮.১১.০৩

# মচু নাইবা মঙ

মচু নাইবা মঙ মরক্তা
ইংথম থাদ অয়ুক্কী নুংশারক্তা ওন-থোইবা
অয়ুক্কী নুমিৎ মৈরিক্লা হৌদোকপিবা,
পুংলঙলঙবা গোধূলী
পুমঙান ঙানবা নুমিদাংগী হিদা তোংলগা
লাকখিবা ঐগী মচু নাইরবা মতম,
ঙাওত্রংনরিঙৈগী ঙাঙজুনরবী
ইংথমথাদ ওলাংখিবা মতম
হরাওবা অমসুং নুঙাইবগী ইপোম কাখিবা
মচু নাইবা ঐগী মঙ মরক্তা
হুজিকসু ঙাংনা, শঙনা, ঙৌনা মচু নাইরি
ঐগী মচু নাইবা মঙ।
২৮.১১.০৩

# জু

চাওখৎতবা তুকৎচবা মশাওনিনঙনা শাওরিবদো
খ্বারবা মীংয়েং
মীনুংশি য়াওদবা খোঙচৎ
তুকৎচবা ওয়াখন য়োকনা থমখিবা ময়াম
মুকথুবি তৌনা পায়রকলে ঐগী হকচাংদা
অমাঙবা ঐগী ওইরোই ঐদি শেংলবনি,
নঙগী তুম হেক হৌরকপগী থল্লবা খজাই মিনুং শিদুনা
ঙাকপিবা য়াবনি ঐগী অরানবা।
নুংশিবীররোই হেক হায়রাবদি
ইনাক্তা লাও জু চখোম অমতাং থকলারাও
জু চখোম অমতাংনা মীওই অমগী থমোয়সে
কয়ামুক নুংশিহানবা ঙম্নি য়েংলরাও
হকচাংদা চেল্লিবা অমম্বা ঈ নৌনমুক ফজৈ হায়বসে
চখাম অমতাং থক্কনা করম্না খংগনি?
২৮.১১.০৬

## লম্বি

ঙন্তাগী অয়ুক্তা অতিয়া থন্না ঙাংজুনরে
কনাগুম্বগীদি নোঙ মপৈমপৈনা খুমজনখ্রে;
মথং মথং নাইনা সম্বোৎ খোইখ্রবা
নঙগী পুন্সিদা ইশিং-নুংশিৎনতসু হিংবা জারবনি
নোংমাদি সোয়দনা শংব্রানরগনী
পন্থুংফম য়ৌবা ঙমলবদি ঙাংজুনরগনী নঙসু।
সন্ধ্যা আরতি ঙাইনা লৈরিবা ঐদি
ঙন্তাগী অয়ুক উজবা ফংদ্রি
অমম্বনা মমখ্রবা ঐগী ইমুং-মনুং-ঈনুং
ধুপ বতিত থোইদিংনা চামথোকলবসু কোকলরোই।
মপুগী থৌজাল ফংলরোই খঙই
ওমচাক্লবা থম্মোয় সেগাইরগা থম্মোয়
মীৎ মনুংদা মঙগী চৎথোক-চৎসিন
খুবাক্তা তন্দন, খোঙ মখাদনা তুরেল তোর্বান
চৎকদবা লম্বিদি সাংলি, মাঙদনা কায়না লৈরে নুমিৎ।
২৯.১১.০৬

# হৌদোং হুইনা চাখিবা নুমিৎ

তুম হেক হৌবগা নোঙপোক মৈরা কারমদে
মমজুনরবা আতিয়াদা
নোঙ মপৈ মপৈ ফুনরম্মী
থওয়াই নুঙাইতে ঙসি থমোয়নুংদা হেক চিংনৈ
য়েক্লবা লৈত্রবসু খৎনরুগদ্রা, মায়থিবা ওইরুগদ্রা
খল্লি খল্লিঙৈদা মৌ অমন্না অনিখক খৎনবা উরে
ইমুংদা হন্না য়েংলুবদদি
হৌদোংনা চারা চাখ্রে হায়দুনা ইচা নুপানা
হাৎলম্বা হৌদোং অশিবা পুথোকলম্মী
থৈননা হেক চঙলকপদদি
ইমুংদা তুমলম্বা হুইগা থৈনখি,
ঙসিদি নুপি লানগী অনুষ্ঠান নুমিৎনি
মীনা পিদৎ-পাদৎপনি হায়খিনি খন্দুনা
অমন্না খোঙগ্রাউ-ফুরিৎ অদু কোঞ্জাই চাজে
মদুসু মৈনা হেক চাখ্রে।
হৌদোং-হুইনা চাখ্রবা ঐগী নুমিৎ, ঐদি
মপান্দা নত্তে, ইমুং-মনুংদা নুপি লান উনা লৈহৌই।
০৩.১২.০৩

## মঙ মরক্কী নঙ

অরোইবা কালেনগী চাক্লবা নুংশা
খাংবা ঙমলকত্রে, নুংশাশ্বর হোনবা ওয়ারে,
নোঙজু-নোঙথা ঙায়বদা ওয়ারে, অকিবা ওইরে।

মঙনা মঙনা মঙ মঙবদা
মঙবু মঙনিসু হায়নিংলকত্রে
লৈ গুম্লবা লৈশাবীগী লৈনম নুংশিবা
কনাদি নুংশিদে?

অদুঙৈগী জাউশঙ মৈ থাবদা
মম্লবা অহিংদা পেনদনা উজখিবা
ঙৌরুনবা মায়থোং, উচেক খোঞ্জেল
থাবল চোংবদা ময়োক্লনা শানখিবা ওয়ারীমতেক
কনাদি মীহৌরোয়?

চনু লৈরাং অমনা অহানবা পাখংনি খঙলাদুনা
ইরকখিবা নুংশি ওয়ারী,
নোঙাল্লমদায়দা তোর্বান্দা ফম্লগা
ইচাওরকপা থাবলদা মায়োক্লখিবা
থেংলবা নুংথিলদা উরকখিবা লমখুনু গুম্না
নুংশিনসি ওয়ারেপ্পাখিবদো
কনাদি নুংশিরোয়?

ফজখ্রবা, নুঙাই নুঙাইরবা মঙ কয়ামরক্তা
ইমাংদা মঙগুম্না লেপ্পা লৈরম্বা নঙোন্দগী হেন্না
নিংথিনা ফজবা করিমা লৈতে তাইবংদা
তাইবংগী অশেং-অরান পুন্নামক্তগী
অচুম্বদি নঙতনি। নঙগী নিংথিজখ্রবা মাইথোংদুনি।

মথং মথং অওয়াবা কয়াগী মঙ মরক্তা
থওয়ান মচাগুম্লবী নঙগী নুংশি মীৎলু অনিদো
নঙগী পুম্বুমনারবা খুজেং
লুম্বু লুম্বু সারবা নঙগী হকচাং
থোৎ-নৌরবা লুখম, মায়খুম খম্বী শমবুন
তরাম তরাম ওকপিখিবা অদুতনি অচুম্বাদি।
০৬.১২.০৩



CamScanner

# বসন্ত মনিন তারবদি

মলেম শিৎনা নঙবু থিবদা শিরে
ইংলবা ঐগী হকচাংদা
বসন্তবু লাকখিগদ্রা হন্নামুক?
লাকলারোই খঙনা খঙনা
বসন্তগী নৌরবা শেংলবা মলেম উনিংলিবা
উনা উনা উহৌদবা ঐদি
মীনুংশিহৈবী কনাননো হুখ্রিবা ঐগী পুক্লিং
হৌখিবা মতম, লাকলিবা তন্থা-মন্থা
ওয়াখন পুখনদা খল্লিবা মঙ
ঙাওত্রংননা তাওনা লৈরে লেপ্তনা।
নহা ওইরিঙৈগী ফজবা পুন্নামক
অদুঙৈদনা থাংগৎনা থমখ্রবনি সেগাইদা
কনাসু উহৌদে, কনাসু উখিদে
অওয়াবগী অওয়াবা মরক্তা মঙ
নুঙাইতবাগী ওয়াংখ্রবা চাঁঙগুন্না থৎনা থমলবসু
বসন্ত মনিন তারবদি হুজিকস্
ঐদি অমুক হন্না নৌনামুক নঙবু ফংলগনি!
০৮.১২.০৩

## ফজবদা ফজৌ

ফৎতবা ওয়াখন খল্লুবনা নুঙাইতবনি
ওয়ারৌনা ওয়ারিবা করিগীনো?
মৌ নৌবীনা অয়ুক ঙন্তা হরাওনা ইরুজবগুম
পুখ্রিদা হেক চোঙথৌ, তেকচনি হকচাং।
ওয়ারুবগী মতুংদা নুঙাইমন্দ্রবদি
মাঙদা উরিবা অঙাঙবা চখোম অমতাং থকচল্লু
হরাওমনখিদুনা ফ্রেং ফ্রেং চোঙবনি হকচাং
করম্বানো পামলিবা?
নৎতবা ওয়াখন খল্লুবনা নুঙাইত্রিবনি
পৈথোক্লা লুকথনা লৈরিবা করিগীনো?
নমথিবা হকচাংদু নমথিবা মফমদা
পৈরিবা শক্তমদু ফজবদা হেক য়েংসল্লু
নমথিবদা নমথিউ
ফজবদা ফজৌ
সোনথবা হকচাং তেকখৎপা সোইদ্রবনি।
০৯.১২.০৩

## মঙ মরক্তা নঙ

নোঙাল্লে নোঙপোক মৈরা কারে
অতিয়া থন্না ঙাংজুনরে
নোঙ মপৈ মপৈ ইকায়নরে
নঙতনি ঐগী নঙ
মঙ মরক্তা মঙ
নিঙজবা ঐগী মঙ অমসুং নঙ।
নোঙানবাগুম ঙাল্লে
মেরা থাজগুম মাল্লে
খুঞ্জা পুন্নামক শজিবু চৈরাওরে
লিকোন মরক্তা লৈশাবী পাখং হরাওরে,
নোঙাল্লকপা নঙগী নশক
মেরা শালিগী শৈশক
ঐগী নিঙজবা মঙনি নঙ
মঙ মরক্তা নঙ, মঙ মরক্তা মঙ।
১৫.০১.০৬



CamScanner

# চিঙদা শাৎপী থাবলৈ

চিঙদা শাৎপী থাবলৈ
তেকতা কায়দনা
নদোম তুমিন শাৎচবী,
করম্বা নিংবা কায়রদুনা
খোইমু লমদম থাদোকতুনা
নদোম তুমিন লাকখিবনো?

লিন কাঙ মরক্তা
কৈ, শজি, শয়োম মরক্তা
চিঙদোন মতোন কারদুনা
নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরদুনা
অকি অখঙ লৈতনা
থৌনা ফনা শাৎচারিবী
লৈরাং নঙবু কনাগীনো?

তমথিরবা তাইবংনি খল্লদুনা
মীনুংশি য়াওদে হায়দুনা
লৌনম তৌরি হায়দুনা
নদোম তুমিন লাকখিবরা?

লৈরাং নঙগী ওয়াখন্দা
খনবদা ঐদি ওয়াজৈদো
খোইমু মনিন তাহৌদনা
নুংশিৎ-নুংশা ফঙহৌদনা
মলেম থক্তা কেনখিগদ্রা খনবদা
থওয়াই হকচাং ওয়াজৈদো।
০৯.০৪.০৬

## লম্বি-২

অওয়াংবা থাক্ত কাবগী লম্বি
মথক কাবগী লম্বি
মথোং চাবা, ময়োং ফজবা লম্বিগী লম্বিনি,
ঐনা থিরিবা লম্বিদি
মরি লৈনবা, মথোং ফাৎপা
পন্থুংফম লৈবা লম্বিগী লম্বিনি।
বুদ্ধি লৌশিং পাঙন শোল্লবা মতমদা
কোয়না কোইদুনা চৎপা য়ানিংদে
লম্বি লৈ লৈনা
লম্বি হুকতুনা মীতাংবগুম্না
লম্বিদগী কোয়চৎ চৎপা লম্বি পামজদে
পামলিবা ঐগী লম্বিদি
অওয়াংবা থাক্ত কাবগী লম্বিনি
অশম্বা অয়াংবা পন্থুংফম লম্বিনি।

অহলথক্তা লময়ানবদা ওয়ারবদি
অশম্বা লম্বি থিয়ূ
কাকফৈ লৈরবসু লম্থিথাদোক্তুনা লৌরীদাচৎলু
ঈশিং লৈরসু লবুক শমদৎলু
খোঙদা লৈখোম তোৎখিনি খল্লুরবদি
লম্বি নঙগী চৎপা লোয়ররোয়।
০৯.০৪.০৬

# অওয়াবা পুন্সি-১

অঙানবদা মমলে ঐগী পুন্সিদি
উনা উনা উবা ফংদ্রে
তান তান কনানসু তাবিদ্রে
য়েৎকা ওইগা য়েংলিঙৈদা
ওয়াখন চোয়রে, লম্বিদা খুদিরে।
অমম্বা ঐগী পুন্সিদা
কনানো নঙদি শিংগাইরে ওইনা শাৎলরিবা?
নুংশিৎ নুংশা মরক্তা
কয়ানিদি ঐবু নুংশিবিগনি?
নোঙানদ্রিঙৈনা ঐদি অমম্বদা লৈ কেনবগী মনিন তাজে
পুন্সী লোয়দুনা উনা-লৈনা কেনবগী মনিন তাজে
শজিক মরক্তা হুপ্পিননা হুজিক্তা
নুংশি ওয়ারি শামিনরম্বা শাবী-শানৌদো
কায়নখিবা উজখি
অওয়াবগী মথক্তা ঐনা ওয়াজখি
হুজিকসু ওয়ারি অওয়াবগী অওয়াবনা
খোল্লাংলবী শজি মচাদুনা মমা থিরাদুনা তান্নখি
তান তান তাবিখিদে মমা অদুনা কৈজাও উবদা।
১৪.০৪.০৬

# অওয়াবা পুন্সি-২

ঐগী অওয়াবদি নঙবু নুংশিজরুবগীতনি
থমোয়নুংদা চাকলিবসে নঙবু উজবা ফংদবগীতনি।
নোংমা-নিনি হৌখিদুনা
চহি লিশিং কয়া হৌখরে
ঐদি ঐগুম্না নঙগী মনুংদা হিংলি
নঙবু খৌরাংদুনা
নঙবু সোল্লদুনতা হিংলি
হিংনা হিংনা শিরিবা
শিনা শিনা হিংলিবা
তুম্বা চাবা যাদ্রবা থেংলবা অহিংদা
নঙগুম্না ফুদোরকপা থাজ মঙাল মরক্তা
ওয়ারবা ঐদি নঙবুতা থিঁজে অতিয়া থুংসিন্না
পেনদবা কয়া ফোঙবা ঙমখিদবা কয়া
ওয়ারৌবা তাংকক কয়া ফোংদোকখিবা নঙগী ওয়ারি
নঙগী পুকচেল ওয়াখন ফজবগীনি
নঙ ঐগী নুংশিবাগীতনি খঙই
থিজল্লুরগদি অরেপ্পা থৌরম লৈরমদ্রে।
নোঙলক্তা থাজনা মকসিন্দুনা
মমসিনখিবা নঙগী শক্তম
থমোয়নুংদা লেপ-নায়দনা ফাওরকখি
নঙগী মীৎলুনা হায়বিখিবা ওয়ারেং
ঐগীদি খোঙথাং লম্বিগী নিংশিংফমনি
নঙগী কৎথোকচবা খুদোল য়েংদুনা ঙক্লুরে
নঙদি হান্নগুম্না মীৎচিনতা ওয়ারেংরকই।
১৪.০৪.০৬

# অওয়াবা পুন্সি-৩

অওয়াবা পুন্সিনি ঐগীদি হুজিক
কনানসু উবিদে
কনানসু য়েংবিদে
নোঙানবগা পুকচাক থৌরাং হোৎনবদা
নোংমা-নিনি হৌখিদুনা
চহি নিফু মাঙখিরম্নে
অতিয়া কিন্থনা তারক্লাগুম্নি
ইংখ্রবা ইংথম থাদ
খনাও মরি নপনরে
খোঙদা খোঙ ওয়াইনরে।
মলেম্বু নুংশিবিরম্বা লিক্লা মচুম্না
পুমচোত চোতলে ঐগী লম্বি
উফুল লৈখিদ্রে হুজিক
লৈররে ইশিং নুংশিৎ
পন্থুংফমদি কদায়দনো লম্বি লৈতনা?
লৈচিল মরকসিদা মমসিল্লে
মম্লবা ঐগী তাইবং। মম্লবা ঐগী লম্বি।
১২.০৪.০৬

# অমম্বা পুন্সি

চহি কুনমাথোয় য়ৌরে ঐনা খুরমজবা প্রভুবু
লাই নিঙজবদি কুইদ্রি
কুইদ্রগসু থওয়াই ওয়াখল চেৎনা
শেংনমক নিংজবনি
থাজদ্রগা থওয়াই সেগায়না উহনজগে য়েংঙু।

ঐনা হোৎনজবা পুন্নামক
নঙগী থওয়াই ওয়াখল পেন্নবগীতনি
ঐনা নিজবা নিংজবা পুন্নামক
নঙগী নচিন পেন্নবগীতনি, পুংথন থন্নবগীনি।

অমম্বা হৈনবা ঐগীদি
খুদিরুনি হায়বসু লৈতে
লম্বি হুক্লা লম্বি মাঙখিনি হায়বসু লৈতে,
অনম্বদা মন্নবা ঐগীদি
পেনদবসু লৈতে, নিঙবা কায়খিবসু লৈতে
নিংবা থুংদবসু লৈজদে
পুক্নিং পেনদবসু লৈজদে
অদুবু অমুকতাং নোকলাবদি নঙনা
মন্নতা লৈবা ঐগী ইমুং-মনুং
মেরা থাগী পুর্নিমাগুম পুমঙান ঙাল্লগনি।
১৬.০৪.০৬

# কিরুগনু

নঙনা মরুদা মহাক্না মরাদা
ঐনা পাম্বিদা
মখোয়না মশাদা
মরি অমা লৈ লৈনা মীহুন পায়নরে।

ইপোমদা তাওরকলিবসে অতৈ কৈসু নত্তে
থরো-থম্বাল-থরিকথ্রানি
থম্না মথক্তা
ঙান খোয়না উরিবসে
অতৈ কৈসু নত্তে
ইপুধৌ লাইরেন পাখংবনি।

কিরুগনু, নঙবু কনগে লাকপনি
ঐবু উনগে থোকলকপনি
মচা-মশুশিং নিংশিংদুনা লাকপনি।

করিগীনো মশাদা তোঙলিবা
কিরুগনু ঐগী খুৎ পাইয়ুসে।
০৮.০৬.০৬



CamScanner

# অফাওবিগী ওয়ারি

নঙনদি ফাওজরগে নিংদুনা
ওজা খন্দনা পঙহৈতমা হৈখিবা
লাইশু খংদনা লাইমিং লৌখিবনা
লাইমন চল্লে নহা ইয়োয় ওইনা।

নঙগী মীৎলু মখাদ
অওয়াবগী মমী অমা মুৎসিমুনা
অমম্বা নুংদাং অমা হৌগৎলকলে
চুন্নাগী নুপি ওইনিংদবগী
ফাত্তরুরবী মতমগী
থেংলবা অহিংগী লিক্লা মচুন্নি।

হুজিক্তি ইঙান ঙান্ন উরে
ঐনা হায়বা ইনদবি মীনা হায়বা ইনবি
অফবা হায়রগা ফৎতবা খন্বি
খ্বাদ চৎলু হায়রগা অওয়াং চৎপী
নিংতম্না পানবী ইবেম্মা
য়েংগদবামখৈ য়েংঙেদনা উরে
চুন্নাদগী অহেনবী
নহাক্কী পন্থুংফমদি চুন্নাদগী অচুম্বাদনি।
০২.০৭.০৬

## ওয়ারেপ

অওয়াব মতমগী মতুংদা নুঙাইবমা হায়বসে সোয়দনমক্লি
নুঙাইবগীদমক্তা ওয়াগদবনি
হোৎনরগা ওইদবা লৈতে হায়বদো অচুম্বা ওইরবদি
হোৎনগদবনি,
ওয়ারুরগা নুঙাইথোক্কদবনি
ওয়াদনা নুঙাই থোকলবদি নুঙাইবা হৈতবা কৌই
ওয়ান ওয়ান তানখিবা সেনদি
পামু পামুনা খরচা তৌবনি
ওয়াদনা তানখিবা সেনথুমদি খঙহৌদনা মাঙখিবনি।
ঐনা হায়বাসিমক থাজদ্রবদি
চাঙ য়েংথোক্লসি শজিবু চৈরাওবা নুমিৎতা,
করিগুম্বা থাজরবদি
কুমসি থাবল চোঙফমদা চৎলুগনু
তনৌরবি চনুরাগী খুজেং মহুৎতা
যোৎ-মেশিন পায়রিবা ওজা অভিনাসকী মখুৎ পায়রুচৌ
নত্রগা ...
করিগুম্বা য়ারবদি
কুমসি কুমৈ য়েংবা চৎলুগনু
লৈকায় কোয়বগী মহুৎতা
লময়ানবা ঙম্বা কবি খোইরম ইন্দ্রজিৎকী শৈরেং ওয়ারেং পারুচৌ
করিগুম্বা য়ারবদি
হরাও কুমৈ থাদোকলসি
ফুংগা ওয়ারি শানররোয়শি
য়ুমলাই খুরমশি, শিদবা মপু সোল্লগা থোকলশি।
০২.০৭.০৬

# ওয়াজাও ঙাংবা মী

কনা কনানো তমদা তমথিরিবা?
লৌরিদা ফমদুনা খুলগী অফা-ফৎতা ওয়ারি শানারিবা
অহলশিংদো-
তেংগোৎতা চা থকলগাসু খুলসিগীদি অহলনি
খুঞ্জাসিগীসু য়ুম্বুনি।
অহৈ-অখঙ শারদুনা
ইন্দোন তারাবতীগী দোকান্দা ফমলগা
ব্রাজিলনা হন্দকসু সোয়দনামক চ্যাম্পিয়ন ওইরগনি
য়ে-রা আর্জেন্টিনাগী মতিক লৈবা নত্তে গ্রাক হায়দুনা
সিংনদুনা খৎনা-চৈনবা তৌরিবদো করম্বা লমচৎনো?
খাওদগী চা মমল পুথোক্কুনা পিখিবাদুদি
অহলদুগাগী হুরানলকখিবা নত্রো?

চেঙ কেজিমা লৈবগী পাওয়ায় লৈত্রবা নঙনসু
মদুগী মচানুপীদো হাঙসক মানবনি
মখোয় খুলগী মচানুপীদো চাকমা মানবনি
ঐদি ঐশ্বরিয়াগী নাতোন মানবিনি পামলিবা গ্রাক হায়দুনা
হামোমখুলগী বটমখাদা হিরো সারদুনা তর্ক য়েৎনবা
নরাইবক ফৈ হামোমগী ইপল চাউবানা তানরকতবা!
০২.০৭.০৬

# ঐদি হুজিক বনবাসতনি

কনানসু তাথিবা তৌদ্রে হুজিক্তি
মীরাইবিবা ঙমদ্রে হান্নগুম
খৎনা-চৈনবা লৈত্রে
পেন্দবা, ওয়ারৌবা, য়েক্লবসু লৈত্রে
তমথিরবা তম থাদোক্তুনা
তাইবংগী নমথিরবা
য়েংনিং উনিংদবা লৌনম মীনম কয়া
তুংদা লংথোকলমলগা
ঐদি হুজিক রামান্দি ধর্ম লৌদুনা
রামজী খোংগুল লিদুনা চিঙদগী চিঙ অমদা
চিঙদোন কয়া থাপ্ন লাকতুনা হুজিক
ইমা লাইরেম্বীগী চিঙচেপতনি।
শেংলবা চিঙনুং অসিদা
মহারাজ চন্দ্রকীর্তিগী কীর্তন্দা কৎখিবা
যজ্ঞগী নুংশিখ্রবা মনম্না
ঐগীদি তাইবং তমগী পাপ পুন্নামক কোকখ্রে,
মীৎ অসিনা হেক উইসনবগা
রাধা কৃষ্ণগী প্রেমলীলা উজবা ফংই
ভগবান শ্রী কৃষ্ণনা ঐবুতনি
মন্দিরদা চংবা পিবিরিবা
তাইবংগী মীওইশিংনা ঐবুদি অপংবা শিজন্নে
পিদৎ-পাদৎপনি হায়দুনতা মীরাইবী
চান চান লামগল্লী খংদুনা
থবক থনা সুজনা ঙমজবা হোৎনজবনি
হুজিকতি চাদনসু পুক থল্লে, মরমদি-
বনবাসতা ঐদি ভগবানগী বরপুত্রনি।
০৩.০৭.০৬

# অকিবা

অকিবনা তুজুংনরবা মতমসিদা
ঐদী মীহুন পায়রে
চানবগী হোৎনগদ্রা, ইচা লায়েংবগী হোৎনগদ্রা
সেন পুবাগী কোয়চেন চেল্লিঙৈদা
হুরান্না পোৎ-চৈ হুরানখিগদ্রা খল্লুবদা পাখৎলে।
মীনদি লাইরবনি হায়দুনা নুংশিবী
ঐনাদি ঐবু খঙই
কানবা লৈরোয়দবদা নুংশিবীরিবসে
চুম্নাগী নুংশিবা নত্তে,
অকিবনা অচিনবনা কোক পাইনা ফমলিঙৈদা
মামো থরোগী মচানুপীনা কোকতগী খুৎ চিংথরগা
ইতৈ নঙবু কৈদৌরগেনে হংবিরৈ
অদুবু সমাজনা ঐবু তাথিবিখি
পঙজুনরে ওয়াখন, অকিবনা মীহুন পাইরে
সমাজবু কিগদ্রা, মীবু কিগদ্রা
অকিবগী অকিবা মরক্তা ঐদি মীহুন পায়রে।
১০.০৭.০৬

## মঙ

হিংনবগী সুজবদা ওয়ারবা পুন্সী
মীনোক চাউবরা সমাজ
নমথিরবা নমথাক হৈখ্রবা
লৌনম তৌদুনতা পোঙলিবা
নমহাত নমচা তৌদুনতা চাউজরিবা তাইবং
নুমিৎকী লেপ্তনা খঞ্জবদা ওয়ারবা
ঐগী হকচাং ঐগী থৌরাং থৌরম
নোংমদি সোয়দনা অতিয়া থন্না ঙাঙজুনরগনি।
নোঙ চবুন চবুন পাইরক্কুনা
মঙ মরক্তা মঙগুন্না
নোঙ ওইনা তারক্লগনি
নোঙগী ইশিংনা অওয়াবা পুম্মামক
চামথাখ্রবদি ঐগী তাইবংদা অমুক অয়ুক ওইরগনি।
১২.০৭.০৬

## শকহেনবীদুমা

শকহেনবীদুমা লৈবনি, থংনবা য়ুমদুগী দোতলাদা
খিক্রী অমা মতম পুন্নামক্তা হাংনা লৈবনী মহাক্কী
মথৌ তারসু তাদ্রসু
মরক মরক্তা তোয় তোয়না উবা ফংই মহাকপু
মহাক্কী ফজখ্রবা শম্লাং
তনৌরবা লুখম, কোরোক কোয়রবা মীৎলু
অঙকপা অমা ওইনা নুংশিখ্রবা শক্তম
ফজনা ফজখ্রবা শকহেনবীদুমা
য়েংনতা লৈনিংবনি
মীৎ ওনবা য়াদবনি
নুপিদো নোকপা খঙবনি
শম্লাং সন্দোক্লা লৈনম শন্দোকপা খঙবনি
মরক মরক্তা লোৎপসু হৈবনি
তুমিন্না থোকলকপাসু হৈবনি
নক্লবদগী থাপ্ল, থাপ্লদগী নক্লবদসু উবা ফংই
নোঙফাদোক্তা রেলিং
নোংমানা ছাদ মথক্তা
ওয়া ঙাংনখি মীৎকা মীৎকা
ওয়া ঙাংনখি থমোয় থামোয়দা
অসিগুন্না অখোয়নিদি নুংশিনখি
ইশিং বিন্দু অমমন্না সাগর ওইখি
থমোয়নুংগী অতিয়াদা নোঙ মঙখি
নোঙগা নোঙগদি কৈদৌঙৈদসু নোঙইশিং ওইনা তারকখিদে মলেমদা।
১৪.০৭.০৬

# ইশিংগা হরাওবা

নোঙ মঙলগসু নোঙ চুখিদ্রে
অকনবা নুংশিৎ
অতিয়াদা নোঙ মপৈ মপৈ
থেংনবনে য়েনবনে
কোন্নবনে মাঙখিবনে
মওং অমগী নোঙনি,
লৈশাৎ হৈরবা নোঙ
নুংশি হৈখ্রবা নোঙ
নোঙগা নোঙগনা
নোঙ ওইদুনা ইশিং ওন্না তারকলবদি
ফোঙ ফোঙ সারবা হকচাং অসে ইংথগদবনি।
সাওগৎলারোই হুজিক্তী কনাসু
ঐদি নুমিদাং চুপ্পামা তুমগনি
কনা কমাগুম্বাদি অফবা লবুক্তা লৌয়ু-শিংউখ্রনি
করিগুম্বা নোঙ তাখিদ্রবদি
চাক্লবা নুংশা মরক্তা
নুংশিখ্রবা তুরেলদা চোঙথদুনা
ইশিংগা জলকেলী সানজগনি
করিগুম্বা নোঙ তারকলবদি নোঙ ইশিংদা হরাওগনি।
১৯.০৮.০৬



CamScanner

# নোঙখাকপা অহিং

নোঙ নুংশিৎ পায়রকলে
নোঙ খাকলে
তাইবং কায়নরো, হৌনা চেল্লো হায়বাগুম ময়োং
চাই চাইনা ইনিন নিল্লে
অকিবনা থওয়াই নিকলে
কিগনবগী হৌনবাগুম নোঙখাকাল অহিং নুমিদাংদ
অকি অখঙনা তুজুংলে
বুদ্ধি-লৌশিং ওয়াৎপাগুম
তৌফম কাওরকলে
নোঙজু নোঙখাক্লা তানরকলে
ইঙান ঙানবা অতিয়া মমলে
নাক্ত ঙতিয়া কায়থরকলে
মাঙদস্ কিন্থরক্লে

ইংথম থাগী তুরেল ইচাওরকলে
নুংশিনবগী হি অসিবু লুপখিগদ্রা?
২০.০৮.০৬

## নোঙ মপৈ মরক্তগী

নঙনদি ঙানথোয়রবা অতিয়া মরূম ময়ায়দা
ঐনদি কাচিন অমদা হুমাং তারে
হোৎনজবা খরদু অমোৎ-অপাগুন্না তাওখ্রে
কুমগী ইচাওরকপদা,
নখুৎ পাইয়ু হায়রমবদায়
মাঙখিবাদুগাগী ফংঙু
লেপখিবাদুগাগী অমুক চৎখৎল্লু হায়রম্বদায়
চৎন চৎন পম্থুংফম য়ৌদ্রী করিগী খংব্রা?
মঙ মরক্তা ঐনা ঙমজরুবগী হরাত্তজরম্মি
নোঙাল্লগা ইমা লাইরেম্বীগী খুয়া-খ্বাদ
হৈরাং-লৈরাং কচ্চরুই
ঙসিদি খঞ্জরুবা আশা পুন্নামক খেন্নরমলে
মঙগা তাইবংগা ওন্না-তৈননা লৈরমলে
নোংমাগী তত্তনা তরংদা
লাউ খোঙনা তোকলগা মতুংদদি
ঐগী কাচিন হেক মথক্তা
অঙৌবা ইশিং তারকখি নোঙ মপৈ মরক্তাগী।
২০.০৮.০৬

# মৈখু মৈরিক্তা

নত্তেনে। খঙজাদেনে কদায়দা লৈরিবা
থবাক্তা নত্রগা থমোয় নুংদরা
কোয়পাই পাইরিবা নোঙ মপৈ মপৈ গুন্না
কল্লবা নোঙ-নুংশিৎ মরক্তা
খাক্লিবা নোঙ অসিদি অতিয়া কায়রাগুন্নি।

য়ুমলাইনা কোনবা লিন মপিদুনা চিকখ্রে
হকচাংদগী কোক লওয়াই মতোন্দা
পুমঙাও ঙাউরে
ঙাউরিবসে থবাক্তা নত্রগা থমোয় নুংদরা?

নোঙজু নোঙখাক্লা অতিয়া কায়রে
কারেন্ট য়ুম্বি মতোন্দা
শক তৌদুনা নোংখাক্ল খাকলে
মীৎচিনা য়েংলুবাদদি নোঙপোক মায়কৈ পুমঙানঙানলে
অঙাঙবা, অশঙবা, বেগুনী মচুগুন্নি
ওয়াখন্দদি চিঙথাং খল্লিবনি।

মেখু মৈরিক্তা নোঙপোক মৈরা ঙাল্লিবসে
নুমিৎ থারা নত্রগা নঙরা?
২০.০৮.০৬

# ওমচাক্লবা

পুক্লুংদা অমুক হন্না চোংলরোই
অঙাঙ মখুৎ মশা
উপু অদো তালা পান্ন থমখ্রে।

ওমচাক্লরবা তাইবং
নমথিরবা শাজৎ-লমচৎ
উমন্না উবাদ মীৎতা মিশাং কাররে।

মাঙদা লবুক চেখায়রে
মিরাং ময়ুমগুন্না
মরি মরি চিংখায়রে
লাইমাঙগী চূড়া হায়দারকলে
তিন কাঙ মরাং কায়রে
উচেক চরোং চরোং পায়রকলে
য়েংবদা ওয়াখন ওমচাক্লরে।

ওয়াখন পুখন তিন্নদ্রে
নিংজবা আশা কায়রে
মায়কৈ মরি কংলে, শিরে
হিংনবগী চেনফম কদায়দনো খংব্রা?
২০.০৮.০৬

# কোয়েৎ য়াওদবা নিংথৌ

মকোক্তা কোয়েৎ-লৈত্রেং য়াওদবা মহাক্রসু
সন্ধ্যা ওইবগা মশানা মশাবু নিংথৌ শাজবা
অমানা অমাবু মী-ওইনা খনবিদবা
ঐনামক হেল্লে, ঐনামক চাউরে
ঐনামক চুমলে খঞ্জবা
মশাগী অরানবদি সুংখন খনবিদবা
মশানা মশাবুসু খংবিদবা
খঙদবা কয়ানা অখঙবা শারদুনা
চেঙ-থাউ সোৎনা চারগা সেনজাউ পাইবা শাজবা
মদুবু করম্বা নিংথৌনো হংনরকলে ওয়ারীদা।

খৎনা-চৈনবা লানথেংনবা নিংথৌগী মচা-মগুনি মৈতৈদি
লোংমাগী তত্তনা নিংথৌ ওইবা হৈনবনিনা
খজিক খরা থাগৎলগসু চাথোকনৈ মরূপ মপিজান
মশানা মশাবু চুম্নাগী নিংথৌনি খল্লি
চুম্নাগী প্রজানদি মহাকপু অঙাওবনি হায়বি।
১৮.০৮.০৬

# তুমগে তুম্মু

ওমচাক্লরবা নুমিৎনা হেক য়ুংবা মতমদা
থৈবোং পাম্বিগী মমিদা নঙনা লিফক থারগা
হুপ্লিবদো তুমগে তৌবনি খঙই।
নত্তে হুপ্প। তুমগে তুম্মু। তুম্বা হায়বাসিতা
শিবগা মান্নরবনি, হিংন হিংন শিবানি।

মীৎ হেক উইসনবগা মরূপ মপিজা, মরি-মতাই
অফা-ফৎতা ওয়াখন পুন্নামক লাকলগনি-চৎখ্রগনি
ওয়াখন ময়াম্না ফুনারকতুনা চোকথরগনি হকচাং
তুম্বা হায়বাসিতা কানদবদি নত্তে অমাংবনি।

মখোয়নিবু থুগাইরগা খ্বায়নহনবদি
অনিনা অমা ওইখ্রবসু মখোয়নিগীদি অমাংবনি
নংগীদি? নঙদি চাকথেকপিনি হুনি-হু-নুপিনি।
ফরে হুপ্প। তুম্মু। অশিবগা উনৌ।

হিংলিবা নুপাদি তুমদনাসু চৎখিনি লম্বি
হিংলিবা নুপিদি তুমদনাসু ঙাইখিনি খঙই
নঙদি মরূম মরক্তা সরক ঙাইবী হু-নুপিনি।
২২.০৮.০৬



CamScanner

# ওয়া অমতাং হায়জগে

ঙসিদি ফুংগা ওয়ারীগা লোইননা
নুংশিনবগী ওয়া অমতাং হায়জগে
নত্রগা নোঙজু-নোঙখাকপগী ওয়া হায়জগে।
অদু নত্রগা থাজ মঙালগী ওয়া
পাম্দ্রগনা অমা রজনীগী অকি অখঙ ওয়ারী
নতে। তানিংদে।
তানিংদ্রগনা খাগেম্বা নিংথৌগী বারী
নত্রগা পামহৈবা
অদুসুপুয়া মৈ থাব নিংথৌনি হায়রবদি
মহারাজ চন্দ্রকীর্তিগী গুরুকীর্তন
নত্রগা শামু ফাবগী-ওয়ারী
নতে তানিংদে।
তানিংদ্রগনা লাক্স সুন্দরী শেরাম চনু শনারৈগী ওয়ারী
নত্রগা লৈগী লৈকাদ খোইমুনা তোঙলিবা'
খোইমু মশক খঙদবী চনচনগী ওয়ারী
নতে। তানিংদে।
তানিংদ্রগনা ডেপুটি সেক্রেটারী ফমদা প্রমোশন ফংলবা
ভানুগাছ মচা শশিগী ওয়ারী
নতে। তানিংদে হায়রগতদি ইনাক্তা লাও
শৈরেং ময়েক, শৈরেং মরু-মরাং থিরু শি অতিয়াদ
করিমতা থিবা ফংদ্রদি সিগ্রেট থক্লসু কানরোয়।
ইনাক্তা নকসল্লকউ। কবি হাফিজনা পিরম্বা
গ্লাস অসে পায়ররাও মী ওইররাউ।
২১.০৮.০৬

# কোকথোং ওইজগে

শংব্রানরবা কয়াত নিংথিরবা অতিয়ানো
নবুক্তা নোঙ মপৈ কয়া য়োমলগা
য়েনবীনা মচা ময়াম কোনসনবগুম
নচা-নশু শিং কোনসন্না থমবিরিবা,
নবুক্তা তুমদনা লৈরি ইশিং-নুংশিৎ
মখাদনা ইশিংগী লমজেল, নুংশিৎকী থৌনা
চীঙতম ইশিংগী ইচেল মখাদা
নুঙ-নুংশেন, সনা-লুপা, হীরা অমসুং মনিমুক্তা
মনি নঙনা ঙমদবা তাইবংদা কৈসু লৈতে
অসুক ঙম্বা নঙগী নথৌনা কয়াত ফজখ্রবনো!
ওয়াহং অমতাংদি ঙসি হংজগে
নঙনা কপ্লিবা করিগীনো?
ওয়ারগা হাইয়ু, নুঙাইত্রসু হাইয়ু
নচাশিং লাকচগে
নোঙ ওইজগে, ইশিং ওইজগে, নুংশিৎ ওইজগে
চীঙতম ইশিং ইচেল ময়ায়দা কোকথোং ওইজগে।
২২.০৮.০৬

# থাবল চোঙবগী ওয়ারি

ঙৌসোক ঙৌরবা ফিদুপ ইল্লদুনা
লৈফনেক সেৎপী থাজ অমা
নোংপোক অতিয়াদ থোরকখি।
থেংলবা অহিংদা সনামচুগুম্নবা লৌথক্তা
মদোম তুমিন চৎনা লৈরম্মী থাজনা
লাইবক্তা সিঁদুরগী মহুৎতা চন্দন।

অতিয়ানা ওয়ারৌখিদুনা নোঙ খিক্কি
নোঙজু নোঙখাক্ল তান্নদুনা
হৌনা চেনখিবদগী নুপি চেনবা হৌখিবনী হায়নৈ,
নিংথিজরবা থাজগী মহুম ফংবদা
তাইবং মীনা নোক-খ্বেনা হরাওখি
লউয়্-শীংয়্সু, য়াম্মা ফনা হরাওখিবদগী
শাবী, শানৌ থাবলদা থাবল চোংদুনা
অপাম-পামদবা খন্নখিবনি হায়না
লমহেনখ্রবা কবি অমখক্লা ওয়ারী তৌরম্মী।
২২.০৮.০৬

## ঙাকপিয়ু হে কবি

### (কবি শামসুর রহমান্ন লৈখিদবদা নিংশিংদুনা)

নঙগী পোৎলোয়বদা হৈরাং লৈরাং কচ্চবা ঙমহৌদবনা
ঐদি কুমগী লায়ননা লাইচুরে
ঙাকপা য়াবা অরানবা নতে খংঙি অদুবু
ঙাকপিয়ু হে কবি।
হাসপাতালদা নাঙগী লায়েংবা মতমদা
নঙসে ঐখোয়বু লঙথোক্না চৎখ্রনী খঙ খঙনা
প্রভুবু খুরমজবা নত্তনা
তৌনিঙাই কৈসু লৈহৌদে,
নঙবু অরোয়বা য়েংবা
অরোয়বা প্রনামদুসু তৌজবা ঙমহৌদবগী অরানবনা
ঐদি কুমগী লায়ননা লাইচুরে
ঙাকপা য়াবা অরানবা নতে খংঙি অদুবু
ঙাকপিয়ু হে কবি।
নঙগী অতিয়াগুম্নবা থোৎ-নৌরবা হকচাং
নোকফেৎ তৌনতা লৈবা মীরাইবা হৈতবা মীৎলুদো
হুজিকসু ঐবুদি মৈতৈ কবিনি হায়দুনা নুংশিবিরমগনি খংঙি
ঐদি ইরন্নাই খংবা কয়াত মীনুংশি হৈতবানো
বাংলাগী কাচিন অমদা পোকপনা
নঙগী পোৎলোয়বদা য়াউরুবা ঙমহৌদ্রে
অরোয়বা প্রণামদুসু তৌজবা ঙমহৌদবগী অরানবনা
ঐদি কুমগী লায়ননা লাইচুরে
ঙাকপা য়াবা অরানবা নত্তে খংঙি অদুবু
ঙাকপিয়ু হে কবি।
ঙসিদি নঙনা লৈত্রবদা নঙগী শৈরেং ওয়ারেং নত্তনা
নঙবুদি কৈদৌঙৈদসু উজবা ফংলরোই
ওয়াখল্দা উরিবা মীৎলুসিদদি নঙবু হুজিকসু উরি
বইমেলাদ ফমদুনা অটোগ্রাফ পিবিরি মথং মথং
অপরাজেয়'গী শংব্রানরবা শজিক্তা ফমলগা

বাদাম চারদুনা ওয়ারি লিবিরি শিষ্য কবিশিংগী মরক্তা।
বাংলা অসিগী চাওরবা সমদ্রু ইপাক্ত
নঙদি লময়ানবা কবিনি, অহেনবা কবিনি
অহল নঙদি অহেনবনি, নঙতনি, তোপ্পা অফাওবা বাংলা মচাগী
বাংলা লোন্না লৈরিঙৈদি নঙনা লৈত্রবসু
শীয়ু হায়বা লৈতে কৈদৌঙৈদসু।
নঙগী খৌরাংলবা খোল্লাও "তোমাকে পাওয়ার জন্য হে স্বাধীনতা"
অয়োয়বামক্কী লৈরুচৌ নিংতম্না
নঙগী নিংতম্বা লম অদুগা
বেহেশতকী শৈরেং লৈকা মথক্তা নুংশিনবগী শৈরেং
ওইদুনা তুমদুনা লৈরুচৌ।

কনানা হায়বনো কবি শিখ্রে, লৈত্রে হায়দুনা
কবিদি কৈদৌঙৈদসু শিবা হৌনদে
হায়খ্রিবা সিনা করিগুম্বা অচুম্বামক ওইরবদি,
ঐবুদি কনানা কনগনি?
নঙগী পোৎলোয়বদা হৈরাং-লৈরাং কচ্চবা ঙমহৌদবনা
ঐদি কুমগী লায়ননা লাইচুরে
ঙাকপা য়াবা অরানবা নতে খংঙি অদুবু
ঙাকপিয়ু হে কবি।
১৮.০৮.০৬

# ওয়াখন্দা চোংবা গোলাপ

খরনি সুরে অঙাঙবা গোলাপ অমা
মীৎ চোংবাগুম্না ওয়াখন্দসুম চোংনা লৈরে
ঐগী ওয়াখন্দমক শাৎলরিবসে চিংনবমনি।

ঙসং ঙাঙলবা মমিৎ পাংলবা গোলাপনি
লৈরাং পুন্নামক্তগী য়াম্না হেন্না নিংথিজরবি
লৈশাৎ হৈরবী লৈনম চেনবী গোলাপনি।

ইদোম তুমিন লৈরগা মীরাওখোল লৈত্রবদা
শৈরেং ময়েক্কা নুংশিনগে হেক হোৎনবগা
নিন খোংদে মতম চপচারে খংলদুনা
ওয়াখনগী মন্নবা চিঙদোন্দা
তরংগী গোলাপ অদু চোংনা হেক লৈরম্মী
মরন্নাই মশক খংদে
ঐবুদি করম্না খংলিবা
তুম্বা চাবা, থবক সুরিঙৈদা
লাইনিংবা মতমদসু মাঙদা হেক সাৎলম্বা
মথৌনা লৈদুনা সাৎনিং শাৎপরা
করম্বা অওয়াবা নুঙাইতবাননো খংদে
মীৎ হেক উইসনবগা চোংনাহেক লৈরম্মী।

নোঙানবগা ইরু মায়থজরগা তেকতা কায়দনা
ইমুং মপান্দা মকা ফন্না তনৌ তনৌনা শকায়জবা
নিংথিজনা সোয়দনা
চোংনতা লৈবদি করম্বা শাজৎ লীচৎনো?
নোংফাদোকসু য়ুমদোন মথক কারদুনা সাৎনা লৈরম্মী
লৈকোল থাদোক্নুনা উরক মরক্তা চঙদুনা ওয়াতোন্দা
চোংনা চোংনা সাৎপগী লৈরাংসে করম্বা জাৎকী গোলাপনো?
নোংমানা সাখ্রবা নুংশা মৈরিক্তা
লমহাংদা সাৎচরুবদগী খাংবা ঙমদাদুনা
লৈরক্কী লৈনা মথক্তা তুম্না লৈরম্মী



CamScanner

নোংমাদি নুংথিল ঙহাক কেজরুরগা
উজাও লাইরেম্বীগী খোঙনাং মতোন্দা ফন্না লৈরম্মী।
ঙসিদি তুম হেক হৌরগে তৌবদা পোৎলোই সেৎলদুনা
চনচনগুন্নবী চনুরা অমা ঐগী ফমুং নাক্ত লাকলগা
অমুবা গোলাপ চরোং অমা পাইরদুনা লেপ্লা লৈরম্মী
মঙরা তাইবংলা খল্লিঙৈদো
অমুবা গোলাপ চরোং অদো ঐগী খুৎতা লৈরম্মী,
গোলাপ নঙনা মুরিবা করিগীনো হংলুবদদি
অমম্বা ঐগী তাইবং
অঙাঙবা গোলাপনা ঙাঙলদুনা ময়োক্লবা ঐগী লমজেন
নুংশী মীনোক্কী শৈশক হৈরবী চনচনগুন্না পুমঙান ঙান্ন লৈরম্মী
ব্রজপ্রেমদা নতে অমুবা অঙাঙবা গোলাপ লৈনম্না
শুমহৎখ্রে ঐগী খোঙথাং হৈরবা পুন্সি।
২৬.০৮.০৬

# পেনদবা পুন্সি

মলেমসিদা লৈ শাৎলরে
লৈনম চেল্লে সুরে
মপুং ফারকলে
য়েংবদা ফজরে, নিংথিরে
পামজবা হৈরে
নুংশিবা হৌরে।
নুংশিবা লোইবা নাইদ্রে
পেনবা নাইদ্রে
মলেম সিৎনা চনিং তানদ্রে
পেনবা পেনদবগী
ফংবা অমসুং ফংদবগী নুংশাশ্বোর হোল্লিঙৈদা
নিংবা কায়নাদুনা চাক্লরে
লানফম কয়া লানগনি
মলেমসিদা লানগী লান ঙক্তা।
০২.০৯.০৬

## কুন্দো পরেং

নঙবু নুংশিজৈ, খঙহৌদনা নঙবু নুংশিরুরে
হায়সন্নরগা-
নমাবু থারকলগা
মোইবুং খুজি হুকহল্লিবা করিগীনো?
নপাঙ্গন য়াওদ্রগা
গাড়ী তোংনা লাকপা ঙমদ্রা?

নঙবু নুংশিজৈ, নঙগী শক্তমদো
নঙগী খজায়দো, নঙগী লুখমদো
নঙগী মীৎলুদো উনতা লৈরে
তুম্বা চাব ঙমদ্রে
নঙ নত্রদি ঐদি হিংবা ঙমলারোই
হায়সন্নরগা
নচল নূপি থারকলগা
লিকচাউ হুকহল্লিবা করিগীনো?
ঐবু থওয়াই হকচাং চঙনা নুংশিবীরবদি
অয়োয়বামক্কি থমোয় চঙনা নুংশিবীরবদি
নশামক্না লাকত্রি করিগীনো?
গাড়ী লৈত্রগা হৌগৎনা চেল্লকত্রি করিগীনো?

নঙগী ওয়াখল্দা শুমহৎলিঙৈদা
নঙদি কুন্দো পরেং হুক্না লৈরম্মী
নঙগী শয়ুম ফংবদা ঐদি জ্ঞান তারকখি।
৩০.০৮.০৬

# ওয়াহং

১.
পোকলিবসে সিনবগী ওইরবদি
শিরিবসে কনাগীনো?
অতিয়াদ ঙল্লিবসে নঙগীদমক ওইরবদি
মলেমসিন্না মন্নিবসে কনাগীনো?

২.
অওয়াবগী মতুংদা নুঙাইবমা লৈরবদি
ওয়ানতা লৈরিবদি করিগীনো?
অমনা সুক নুঙাইনতা লৈরিবদুদি কনাগীনো?
মসিনা সাইক্লিক ওইরবদি
তুন্না লৈবা য়াদ্রা?
ওয়ানা ওয়ানা হিংলগা
হিংন হিংন শিরিবসিনা করিগীনো?

৩.
ঐগী ঙকসমদা কুন্দো পরেং হুক্কেরা
ঙমগনি হায়রবদি বার্তন থাজল্লাউরা?

৪.
ঐগী লাইবক্তা সিঁদুর থিনবিবা ঙমগদ্রা
ঙমগনি হায়রবদি বার্তন থাজল্লাউরা?
ঙমলোয় হায়রবদি ইতুংদা হুইগুন্না ইল্লরিবা করিগীনো?
০৩.০৯.০৬

## অপাম্বা অমা খল্লু

উনা উনা উহৌদে হায়রিবদো
তান তান তাহৌদে হায়রিবদো
লাইরবাবু মীরাইবিবা নত্রো?
ইনাকখুল্লে হায়দুনা নাক্ত লাকলগা
নাকথ মশক খঙদবা
য়ুমলাই খুরমবা হৈনদবা
লম্বিদা চৎ চৎনা লম্বি হুকলিবদো
মতম লোয়দুনা কেনবাগুম নত্রো?
চাওথোকপগী মতুংদা পিকথারকলবদি
মফম মফমদা লুকথবা সোইদ্রবনি
তৎতনা লুকথরবদি
শিরগা নচাশিংনসু হোনবদা ওয়ারগদবনি।
মীরাইবা হৈনবা মীদুদি
মীনুংশি চেনবা হৌনদে
মীনুংশি চেনদ্রদি মশানা মশাবু খঙদবা কৌই।
লাইরবা ঐদি
শবেবরাতকী অহিংদা হিক্রা কপ্পা নিজহৌই বর
ওয়াকৎলৌহি কয়ানি অমোৎ-অমাঙ মরক্তা হিংগদবনো?
মপু ইবুঙোনা নুংশিবিদুনা
অতিয়াদগী নাকোংদা তুমিন তুমিন হায়রম্মি
ইনাকখুনবা অমসুং নুঙাইবা
ফজরগী মনুংদা অপাম্বা অমা খল্লু।
০৭.০৯.০৬

# শবেবরাতকী নুমিদাংদা

মুসলমানগী ওয়াখন-পুখন্দা খ্বাইদগী শেংলবা নুমিদাংদি
শবেবরাতকী নুমিদাংনি
নঙগী ঐগী-মীওইবা পুন্নামক্কী লাইবক্তা
লাইবক য়েনবগী নুমিদাংনি।
আল্লাহহু খুরমজবা, হিক্না কপ্পা নিজবগী নুমিদাংনি
অরানবা কোকচগে অকায়বা তৌজরোই
লমচৎ কায়রবা থৌদোক কয়াগী পাপ ময়ামদগী
ঐবু অমুকতাং কনবিয়ু ঙাকপিয়ু হায়দুনা
নিজবগী অশেংবা নুমিদাংনি,
নুমিদাং পুন্নামক্তাগী অহেনবা অমসুং অশেংবা নুমিদাংনি
মীওইবা পুন্নামক্কীদমক চহিমাগী রিজিক
য়েনবিবগী অহেনবা নুমিদাংনি
অদুক থাপ্নতা লৈখিবা আল্লাহ হায়বদি মপু ইবুঙোবু
ইনক নক্না লাম্বা ফংবগী নুমিদাংনি
অতিয়াদা নঙগী হেক নথক্তা
মচা মশু পুন্নমক য়েংলুগে হায়দুনা
থোকলক্কুনা লাক্ন লৈরবগী নুমিদাংনি,
মাগরিবতগী ফজর মনুংশিদা
নিংবা কল্লবদি, কপচবা হৈরবদি
আল্লাহনা নমাংদা হেক লাকতুনা নুংশিবিরবদি
নিংজবা পুন্নামক ফংদবা লৈরোই হায়বা নুমিদাংনি
আল্লাহনা মহাক্কী বান্দাদা লাওথোকই
লানখ্রে খঙলদুনা ঙাকপিয়ু হায়দুনা ঐবু খুরমজবা মী লৈব্রা?
চানিঙাই লৈতে হায়দুনা খুবাং তরা য়াদুনা নিজবা মী লৈব্রা
থমোয় চাকপা কনা লৈ?
অওয়াবা কোকচগে নিংদুনা ঐবু খুরমজবা মী লৈব্রা?
নিংজবা থুংদবা কনা কনা লৈ?
ফংজগে খন্দুনা কপতুনা নিজবা, খুরমজবা মী লৈব্রা?
করিগুম্বা লৈরদি ঙসিমক কপচহৌ, নিজহৌ
নিংতম্না হিংলগে খল্লবদি
পুক্লিং চেৎনা নিংবা নিজবদি মপুনা থৌজালবিবা সোইদ্রবনি।
০৭.০৯.০৬

# চায় চায়রবা মলেম

মায়কৈ পুন্নামক কঙনা লৈরে
উফুলনা মৈখু খুরে
চায় চায়রে লম্বি লমজায়।
নোঙজু থাদ নোঙ লৈত্রে
ইশিং লৈত্রে
লবুক কঙলে
উহৈ ওয়াহৈ কঙলে
থওয়াই হকচাং শিরে।
নুমিৎ তারমদায় মঙাল লৈরকত্রে
নোংচুপ মায়কৈসু মমলি মমলি তৌরকলে
থমোয়নুংদা মোংফমগী অকি অখংনা থল্লে
ইশিং লৈত্রবা হকচাংসে
চুরুপকী মৈখুনা মরি পুন্নামক
উফুলগুন্না ঙৌরে শিরে।
অওয়াবগী নমথিবা মনম অমা
লৈসন্ন লেরে ইমাংদা
নুংশিৎ মপিদা উফুল
উফুল মরক্তা লৈঙোয়
করম্না মীৎ পাঙগনি
চায় চায়রবা মলেমসিদা লৈশাৎ তমলিবা লৈ
ওয়াখল নঙসু মতমখংনা খোংথাবতায়।
০৭.০৯.০৬

# মীৎচিনা য়েংবদা

কায়না মৈচাক্ল চাক্লবা পুন্সী
পঙসন্না লৈবা মঙ
পেনদবা মীৎকি পিরাং
মফম মরাং খঙদবা সাজৎ
পন্থুংফম লৈতবা ওয়াখলগী মকোয়
মন্থরবা পুন্সী অসিগী
করি মমল লৈরী মলেম অসিদা?
পোকলুবগী কানবা লৈত্রবদি
ফজখ্রবা মলেম অসে ঈশ্বরনা
শেম শাবিরকলিবা কনাগী ওইরিবনো?
নুংশিবগী ফিরাল পায়না
কোয়চেন চেল্লিঙৈদা
মমানা মচা নুংশিবিবাগুম
মলেম ইমানা ঐবুসু নুংশিবীরম্মী
হুজিক্লা করিগীনো মাই ওন্থোক্লা সাৎলিবা
নঙগী নথক্তা থাজ মঙালনা মায়খুম ওইরকলে
নিংথিরে
ঐদি ইঙান ঙান্ন উজবা ফংই
পেন্দবা মীৎকি মীৎচিনা য়েংবদা।
১০.০৯.০৬

## চিংনবা পুকচেল

নচিন্দতা ফজরিবা, নমোন্দসুরা
শাজৎসু ফজরদি ফজৈদো
অকিবা অঙকপনা শুমহৎলে।
শেংদবা অমোৎপা ওয়াখল্ল চুরে নঙগী হকচাং
চিংনবা পুকচেলনি খংঙি
চিংননতা হৈনমম্বা
পুকচাক তানবা ওইথোকতে।
ইফা ফনা লম্বিদা চৎলিবা মীদুবু
করিগী চৎলিবা ওইরমগনি
মহাক্লা চৎলিবসে কদায়দা ওইরগনি
ইনৎ নত্তবদা
নত্তবা কানদবদা
কৈসুমা নত্রবদা হেঞ্জন্না খনবদি
মশানা মশাবু থাজদবা
মীবুদি করম্না থাজগনি?
চিংনবা লৈননা চাথোকখিবা সোইররোইদ্রবনি।
০৮.০৯.০৬

# শবেবরাতকী মুসল্লী

টুপিনা পুমঙৌ ঙৌরে ঙসিদি
শবেবরাতকী শেংলবা সন্ধ্যাসিদা
কবোকলৈ গুম্না শাৎলরে
মসজিদ পাংন পরেং সারদুনা চংসল্লকই
আল্লাহবু অমুকতাং উনজগে খৌরাংলিবা
মুসল্লী ময়াম্না
নুপি-নুপা খ্বায়দনা ইমা দূর্গা খুরমজবনা মফজমনি
মুসল্লী ময়াম্ন পরেং পরেং লেপ্তুনা
নামাজ সোলবনা থমোয় চেৎপনি, মফজমনি
আল্লাহগী খৌজাল পামজদুনা
জিগীর বন্দেগী তৌরিবা
নুমিদাং অমা তুমদনা ফিগাও জারদুনা নিজবাদুবু
বর ফংঙোই হায়না করম্না হায়গনি?
থওয়াই সেগাইরাদুনা পেনদবা কয়া খঙহনজরি
ফংদবগী অওয়াব কোক্লবা হিক্ল হিক্ল নিজরি
মুসল্লী ময়াম্না দশা কোকচগে নিংদুনা
মমিৎতগী মপি ওরো ওরো তারে
নুংশিবা, নুংশিজখ্রবা লাইসোলনি
নিজবা হৈরবদি নিংজবা আশা থুংলোয় হায়না
করম্না হায়গনি বর য়েনথোকপগী নুমিৎসিদা।
০৮.০৯.০৬

# নোকথোকউ

কায়না মৈচাক্ল চাক্ল হিংদগী শরুকপুদি
মৈ থাদোকউ, পুন্না থাদোকউ
ঙাত্তত্রং তৌনু, মীনা ঙাওরে হায়খিনি
তুমিন্না উথক্তা কারগা য়েংঙু
কয়াত ফজথ্রবা মলেম ইমানো।
মলেম ইমাগা ওয়ারী শানৌ
নোঞ্জবা নিজবা তোক্কনু
থমোয়গী থোঙ খিক্রী পুন্নামক হাংদোকলগা
অতিয়াদ য়েংঙু, খুরম্মু নুমিৎ লাই
নোঞ্জবা খুরমজবা তোক্কনু, মায়োক্লনা হায়নৌ,
চৎনিংবা মফমদা চৎলু
পাইনিংবা মফমদা পাইয়ু
মৈ ওল্লগা চাকথেকউ
নোঙবুক্তা মীৎ উইসল্লগা
ইশিং নোঙগাস্ সানরুচৌ
নোঙথেংনবা হকচাংদি অনৌবা মপোক ফংলবনি
নৌনমুক নোকথোকপা যারবনি, নোকথোকউ।
১১.০৯.০৬

# ধলাই তোর্বানগী চনু

কুইরাবগী ওয়ানি, অদুঙৈ উখিরম্মি
লৈক্রক মরক্তা লৈঙাঙ ফিদুপ ইন্দুনা
হায়হুন্না হৈতবা খোঙচৎনা চৎলম্মি লমজায়দা,
য়েংবদা চপচাবী অথন্নীনি
নিক নিক থল্লবী যৌবন
তেক কায়দ্রিবী নৌ নৌরবী
ঙক্না য়েংলম্মী মহাক্কী লৈশারী মতমগী কারুকাজ।
ভগবানমক্ত ময়ুমদা কুমথারকতুনা
মমিৎ মশা মবুক্লিং চংন
অমামম তৌনা শেম শাবিখিবোইরে।
পাত্রিক পাবসু নত্তে
খঙনোই নোয়খিবসু নত্তে
অমুবীসু নতে, অঙৌবীসু নত্তে
চপচাবী লৈশাৎ মচুনি।
মীৎনা হেক য়েংলুবদা মীৎকুপনিংদবা
মীৎতা তন্দন পায়না লৈহৌবা শক্তমনি।
ঙাঙজুনরবা শনাও মচাগুম্নবিগী
নিংথিনা নুংশিপ্রবা
তিঙ তিঙবা মীৎলু অনিদুনা ঐবু
হুরান মীৎয়েংনা য়েংসল্লকপদুবু
কৈদৌঙৈদসু কাওবা য়াব্রা?
ওয়াঙাঙ-শঙাঙদগী চিংবা লৈখোল চেনবিদুনা
ঐবু শুমহৎখিবদো মথং মথং সেপ লৌদুনা।
লাইরিক পারিঙৈদা খিক্রী মপান্দগী
ফোঙমদবা ওয়াগী ওয়ারোল ময়েক লংসল্লকপদো
নঙবু নুংশি-নুংশি-নুংশি
শ্বোর তৎত্রিফাও হায়খিবদো, হায়নতা লৈখিবদো
কৈদৌঙৈদসু কাউবা য়াব্রা?
কাত্তঙমদনা নিংশিংনতা লৈবিবাদুদি
মহাক্কী ধলাই তোর্বানগী চনুনি।
১২.০৯.০৬




সনাতন হামোম। অপোকপা - তেতইগাঁও হাইস্কুলগী মকোকচিংবা ফাউন্ডার মেম্বার অইবিরম্বা স্বর্গীয় এইচ, চাউবা সিংহ অমুসং পলেম এইচ, লৈনুংশি দেবী। মৌলভীবাজার জেলাগী কমলগঞ্জ উপজেলাগী মনুং চনবা হামোমখুলদা।

মীরোল মরক্তা সরকারগী থবক তৌবিরি। বাংলা অমসুং মণিপুরীদ চাঙ মাননা ইবিরিবা সনাতন হামোম দিপান্বীতা যুগকী কবি অইরগসু মরূ অইনাদি হৌখিবা শতাব্দীগী চহি-চা মরফু তাংকক্কি করিবনি। ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং-"কল্পবধূ" "ঈপ্সিত বাসনা", "লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং", "থওয়াইগী নুংশিরৈ" অমসুং "মঙ মরক্তা"। ফোঙলগদবা-বাংলা অনি মণিপুরী অমা। সম্পাদনা-"প্রয়াস", "ছন্দে ছন্দে", "ইপোম", "উদ্ভব" অমসুং "অয়ুক"।

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ কমলগঞ্জ মশা ফুরূপকী ফাউন্ডার জেনারেল সেক্রেটারী অইবিরম্মী। হুজিক্লা হামোম পাবলিকেশন্সগী নির্বাহী পরিচালক অইবিরি।

নিংথিজখ্রবা সংসারদ লোইনবী উষা হামোম্না তরু তরু য়োকচবা ঐশী হামোম অমুসং সাগর হামোম।



CamScanner